# ফুটবোল অমসুং খৃষ্টান লাইনীং

- লৈশাংথেম অজিৎ -

স্কোটলেন্দ ফাওদুনা চেল্লিবা ক্লেদ তুরেলনা অটলান্টিক ওসিন্দা তাগদবা কিলোমিটর ৩২ ৱাংলিঙৈদা লমদম অসিগী খ্বাইদগী চাউবা লল্লোন ইতিক্তা, জহাজ শাবদা, ফিরোল অমসুং কেমিকেলগী পোৎ চৈ পুথোকপদা মমিং চৎপখক্তা নত্তনা অতৈ য়ুনাইটেদ কিংদমগী সহরগুম্না ফুটবোল শান্নবদা থৱায় য়াওবা সহর ওইবা মরম্না মফম অসিদা খুন্দারিবা খৃষ্টানগী লাইনীং চৎপা য়েংথিনবা কাঙলুপ অনী (১) প্রোটেষ্টেন্ট অমসুং (২) রোমান কেথোলিক্সকী টিম্না লম্বা তৌনদুনা ফুটবোল শান্নবদা টিম অনী অসিবু শৌগৎপা তোঙান-তোঙানবা মীওইশিং তোখায় তোখায় তান্নদুনা হাৎন-শুনবগী থৌদোক কয়া অমুক্তা মালেমদা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না পাম্নরিবা মশান্না অসিবু পামজবা অমদি ফুটবোলগী অশিন অরাং তৌবশিংগী মীৎয়েং চীংশিনবা খক্তা নত্তনা সোসিয়েল সাইন্টিষ্টশিংগীসু মরুওইবা মীৎয়েংফম ওইরি।

ৱাফম অসিগা মরী লৈনবদা গ্লাসগো সহরগী মমিং লৈবা মীহাৎ মীপুনসু হাংলেংদনা তৌবা, ফুটবোল শান্নবদসু মতিক মগুণ লৈবা প্রোটেষ্টেনগী লাইনীং পথাপ্পু থাজবা শেঞ্জাওশিং পুথোক্লদুনা অশিল অরাং তৌবা কেথোলিক কেলটিক ফুটবোল ক্লবনি। ক্লব অনী অসিগী ফুটবোল মেচতা রেঞ্জরবু শৌগৎপশিংনা কোমলা মচুগী ফুরিৎ লিত্তুনা মচু অসিমক্কী ফিরালশিং পায়দুনা অমসুং কেথোলিক লাইনীং চৎপা নিংথৌবু মায়থীবা পীখিবদা লুচিংখিবা 'বিল্লী কিঙ' হায়না খঙনবা ৱিলিয়ম ওফ ওরেঞ্জবু শৈথাদুনা ঈশৈ শকই। কল্লা মচু অসি 'বিল্লী কিঙ' গী ফিরাল মচু ওইবনা হৌজিক্কী মতমদা ক্লব অসিগী ফেনশিং, ক্লব অসিবু শৌগৎপশিংনা ফিরাল মচু অসিবু ইকায়খুম্নরি। অলষ্টর ভলুন্টিয়র ফোর্স, অলষ্টর দিফেন্স এসোসিয়েসন অমসুং অৱাং থংবা অয়ারলেন্দগী প্রোটেষ্টেনগী পেরামিলিটরিশিংসু রেঞ্জ ফুটবোল ক্লবকী ফেন্নি। ফুটবোল শান্নবগী পুৱারীদা য়ুরোপ অমসুং খা অমেরিকাদা ক্লবশিংবু শৌগৎপশিংনা মশা মশাগী ক্লবশিংবু মায় পাকহন্নীংদুনা ফুনা-চৈনবা অমদি হাৎন-শুনবগী থৌদোক কয়া অমুক য়াওখ্রে। মখোয়গী মনুংদা রেঞ্জর অমসুং কেলটিক ক্লব অনী অসিবু শৌগৎপা মীওইশিংনা ফুনা-চৈনবা অমদি হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিংদি অকিবগী মশক ওইরি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ১৯৯৯দা রেঞ্জরগী মীচংদা লৈবা মীওইশিংনা হায়বদি রেঞ্জরবু শৌগৎপশিংনা কার্ল মেকগ্রেউরটি কৌবা চহী কুন শুরবা নুপামচা অমা কেলটিক্কী য়ু থকফম হোটেল অমদা মথবাক্তা ক্রোস বোও (তেন্না) কাপ্পুনা হাৎখি। চহী ২৫গী পাখং লিয়াম সুৱিনি কৌবা ফুরিৎ অশাংবা লিৎপা অমা চাইনিজগী অচা-অথক চাফম অমদা রেঞ্জর ক্লব শৌগৎপা মীওই মরিনা হায়খি, চহী ১৬ খক্তমক ঙাইরিবা থোমাস মেক ফেদেনবু ফুটবোল য়েংলবা মতুংদা আইরিশকী চা থকফম অমদা মথবাক্তা, মবুক্তা অমসুং চনিংদা থাংনা থিন্দুনা হাৎখি। মতম অমদা রেঞ্জর ফুটবোল ক্লব (প্রোটেষ্টেন্ট) না পাঞ্জল অমা হেক চনবগা মসিগী মশম শাংনা খাকপা ইটালি মচা লোরেঞ্জো অমোরুশো কৌবা অদুনা মখূৎ অনী থাঙ্গৎতুনা কেথোলিক্কী এন্টি ওইবা, কেলটিক ফুটবোল ক্লবপু থিনা থিনা হায়দুনা চৈবগী ঈশৈ লাউনা-লাউনা, হৌনা-হৌনা শকহনখি। অঙকপদি কেপ্তেন লোরেঞ্জো অমোরুশো মশামক কেথোলিকনি। মহাক্তা নত্তনা টিম অদুদা য়াওরিবা শান্নরোয় অয়াম্বসু কেথোলিক্কী লাইনীং চৎপশিং ওইরম্মী। কুনশুবা চহী চাগী অথেংবদা রেঞ্জর টিমদা কেথোলিক্স ময়াম অমা জর্জিয়া, অর্জেন্টিনা, জর্ম্মনি, স্বিদেন, পোর্টুগল অমসুং হোলেন্দনচিংবদগী য়াল্লবা শেনফমশিং পীদুনা য়াওহল্লি।


গ্লাসগোগী ইব্রোক্স কৌবা মফমদা রেঞ্জর ফুটবোল ক্লবকী ষ্টেদিয়ম লৈ। চহী খরগী মমাঙদা মফম অসিদা য়েক্লবা টিম অনী অসি ফুটবোল শান্নবদা প্রোটেষ্টেন্টগী সপোর্টর লিশীং নিফুমরি অমদি কেথোলিক্সকী মীওই লিশীং তরেৎ খক্তমক্লা মেচ অদুবু য়েংখি, মদুদা কেথোলিক্সকী মীওইশিং অদু গোল পোষ্টকী মনিংদা লৈবা ভিজিটরগী ফমফমদা পুল্লপ পূন্না ফমহনখি। সরভিলেন্স কেমেরাশিং মফম মফমদা থমদুনা ষ্টেদিয়ম মনুংদা মীয়াম, শান্নরোয় অমদি সেক্যুরিটিগী মীওইশিংগী মথৌ অদু চেকশিন্না য়েংশিনবগা লোয়ননা মীওইশিংগী মওং মতৌদা হেন্না পূক্লিং চঙশিন্না য়েংশিল্লি। হোম ক্রাউদ, রেঞ্জর ফুটবোল ক্লবপু শৌগৎপশিংনা তমথি তমথিবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা অতোপ্পা মায়কৈগী টিমদা হায়বদি কেথোলিক কেলটিক ফুটবোল টিমদা অমদি মখোয়গী সপোর্টরশিংদা লাউশিল্লি অমদি মীগী থম্মোয় শোকনীংঙাই ওইবা ঈশৈ শকচিল্লি।

কেথোলিক কেলটিক ফুটবোল ক্লবকী, অথাপ্পদগী লাকপা সপোর্টরশিংগী তোঙান্না লৈবা ফমফম অদুদা চঙনবা থোঙ্গাল অদুদা শান্নবা হৌগদবা মিনিট কুন্থ্রা ৱাংলিঙৈদা রেঞ্জর ফুটবোল টিমগী সপোর্টর ময়াম অমা হাইজিল্লকপদা শগোল তোংবা পুলিস ময়াম অমনা মখোয়বু থিংখি, চঙহনখিদে। টিম অনী অসিনা শান্নবা মেচশিংবু ইংলেন্দ, স্কোটলেন্দ অমসুং ৱেলসতা ওল্ড ফার্ম (Old Firm) হায়না খঙনদুনা খৎনা চৈনবা য়াম্না থোক্কনবা মেচনি হায়না লৌনরি।

ক্লব অনী (কেলটিক, রেঞ্জর) অসিগী ৱারী সেঞ্চুরি তরাতরুক (১৬) তগী হৌরকখিবগী রেকোর্দশিংদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী। মতম অদুদা প্রোটেষ্টেন্টশিংনা স্কোটলেন্দা ধর্ম্মগী অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনবদা তমথিনা ওৎ নৈবা অমদি নম্ফুগী থবক চৎথখিবশিং অদু অমুক শাথিবা য়ুরোপকী মফমশিংদা অমত্তা থোকখিদে। গ্লাসগো অমদি ইদিনবরাদা ধর্ম্ম শন্দোকফম ওইদুনা রেভরেন জোন নোক্সকী মখা থাবা মীওইশিংনা মখোয়গী হেদ ক্বার্টরস ওইরিবা সহর অনী অসিগী অৱাং লোমদা ধর্ম্ম শন্দোকখি অমদি রোমান কেথোলিক চৎপশিংগী মায়োক্তা থবক কয়া অমুক চৎথখি, থিনা থিনা তৌবিখি। রোমান কেথোলিক চৎপা মীশিং য়াম্না লৈবা মফমশিংবু মুথৎনবা তৌবদা মফম খরদদি ধর্ম্ম অসিবু পামজবা রোমান কেথোলিক চৎপা ফুরুপ খরবু মীপুম তিংনা হাত্তোক্লবা হোৎনখি।

সেঞ্চুরি তরানিপালশুবা (১৭০০-১৭৯৯) লোইশিল্লকপদা গ্লাসগো সহরদা কেথোলিক্সপু শৌগৎপা সোসাইটি লূপ ৩৯ লৈরমখি। লূপ অসিগী মায়োক্তা লৈবা, মখোয়গা য়েংথিনবা এন্টি কেথোলিক্স সোসাইটি হায়বদি পোটেষ্টেন্টগী লূপ ৪৩ লৈরমখি।

য়ুনাইটেদ কিংদম, অৱাং থংবা আর্টলান্তিক ওসিন্দা য়ুরোপ মহাদেশকী মপান নক্লা লৈবা, বৃটিশ ঈথৎ অমসুং মসিগী নোংচুপ্তা তোঙান্না লৈবা অয়রলেন্দ ইথৎকী অৱাং থংবা শরুক্লা শেন্বা নিংথৌ (নৎত্রগা মহারানি) না লৈঙাকপা ফুটবোল শান্নবদা থৱায় য়াম্না য়াওবা মরম্না ফুটবোল শান্নবগী ৱাথোক য়াম্না থোকনবা লৈবাকনি। বৃটিশ ঈথৎ অমসুং অয়ারলেন্দ ঈথৎকী মরক্তা আইরিশ-সি অমসুং নোর্থ চেনেল লৈ। গ্লাসগোদা রেঞ্জর ফুটবোল টিমগা কেথোলিক কেলটিক ফুটবোল ক্লবকা ফুটবোল শান্নবা নুমিৎতা মেচ অদু য়েংনবা মীওই লিশীং লিশীং হেনবনা হী, ষ্টিমর অমদি জহাজ তোংদুনা নোর্দন অয়রলেন্দগী গ্লাসগোদা লাকই, বেলফাষ্ট সহরদা শান্নবা নুমিত্তসু নুপা নুপী কয়ামুক হী তোংদুনা আইরিশ-সি লান্থোকই। ●




# মলেম তাইবঙদা নুপীগী শক্লোন

- এম থম্বৌ -

মালেম তাইবঙ শেম্লকপদা নুপী-নুপা, পি-পা, লাবা-অমোম, জুরা-জুরা শেম্লকই। তাইবঙ অসিদা নুপানা লৌরিবা থৌদাং কয়া মরু ওইবগুম, নুপীগী থৌদাংসু অঙকপা ফংনা চাউই। নুপী হায়বা অসি লৈরম্বনা চাদা নাউদা অমগী মথংদা অমা মথং-মথং শন্দোরক্তুনা মালেম ইমাগী তম্পাক অসিদা লৈরিবনি। মলেম অসিবু জিব খুদিংগী মমানি হায়নরিবা অসিমক ককপা য়াদ্রবা মতম চূপ্পগী ওইনা চুমদুনা লৈরবা পোৎশক অমনি। অদুগুম্না নুপীনা মালেম ইমাগী শক্লোন্নি হায়নরিবা অসিমক্লা ঐখোয় খুদিং ইমাগী তম্পাক্তা লোইনা চাউরক্লিবনি। মীওই খুদিং মমাগী পুক্লুংদা থা তরা নাওপুদবা য়াওদে। মমা অমনা অঙাং অমা নাওপুবা অরাইবা নত্তে, মদুনসু লোইবা নত্তে। অঙাং অদুনা মপানগী তাইবঙদা খোঙদরকপদা মদুবু ঈ মতুমদগী চাউনবা য়োকপদা অহিং কয়া তূমদনা, চানিংবা কয়া চাদনা খাংদুনা মচাবু নাবা-য়েকপা তৌদনবা কন্না হোৎনরিবনি। অঙাংনা খজিক্তং চাউরকপা মতমদা মহৈ তম্লবা, লৌশিং হাপ্লবা অমদি মীরোন তন্বীবগী থবকসু তৌরিবনি। অদুনা মমাসি অঙাংগী অহানবা ওজানি। অসুম্না মহৌশানা নুপীদা অঙাং পোক্লবা অমদি অঙাংবু মী ওইনবা শেন্বা অসি পীদুনা লাকই। মসিগী থবক থৌরম কয়া অসি অরাইবা অমা ওইদে। অঙাং পিশক ওইরিঙৈদগী হৌনা নুপীমচা অমদি নুপামচা অনী অসি শাথিনা খেন্নরকই। নুপীমচা খুদিং পুঙকক চাউরকপদগী হৌনা ফিশু-ফিজাম অমদি কোল-লিক ফেংবনচিংবা তমগদবগী হোৎনৈ, মসি নুপামচাদদি য়াওদে। অসুম্না নুপীগা নুপাগা হীরম খুদিংদা খেন্ননা লাকই। অসুম্না পোকপদগী লোয়নরকপা তোঙানবা গুন অমা য়াওদুনা লাকই। নুপীদি নুপাগী হাকচাং তঙখাই ওইরিবনি। নুপীনা খুন্নাই অসিদা মফম অমা চাউনা কল্লিবনি। নুপীগী শকলোন্দি মমানি।

নুপীগী মখল অসুক্কী মতিক য়াম্মী। লৈকায় কোয়গনবী, মশাগী মথৌ কাউথোক্তুনা অমদসু-অমদসু ৱারী শাগনবী, মপুরোইববু মাগী মখাদা থমগদবগী হোৎনগনবী, লুরাক্লনা য়েংগনবী, মচা-মৱাদা ঙাঙবদা মী পক্কনবী, ইরুজদনা চাক থোংগনবী, অয়ূক্কী কোরৌ খুরুমদবী, মশা কোম্নবা খনবী, তাইবঙ শেন্বা মপুগী থৌগলদা নাচংদবী, খন্থদনা অমসু-অমসু ইয়ান য়ানবী, অতোপ্পগা য়াম্না তোইনা খৎনগনবী অসিনচিংবা নুপী মখল মখল লৈ।

পূম্নমক অসিগী ওন্ন তৈনবদা মপুরোইবগী থৌগলদা মপুগী থৌগলনি খনবী তাইবঙ শেন্বা মপুদা মীনুংশি লৈবী, লাইনিং লাইশোন কাউজদবী, মরু লুকপী, মচা য়োকপদা চেকশিনবী, লৈকায় কোয়দুনা ৱারেম-থৌরেম ঙাঙদবী, ঈংনা-তপ্পা মচং ওইবতমক ঙাঙবী, য়েংবদা হঙ্গোইনা উদবী, চাবদা মখাক থম্বদবী অসিগুম্বা নুপী কাঙলুপ অমসু লৈরিবনি। অসিগুম্বা নুপী কাঙলুপ অসিনা লমদম অমা শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবনি। ঙসিগী খুন্নাই অসিদি হৌরক্লিবা নহা কয়াগী খূৎতা লৈবনা মমাগী শক্লোন লৌরিবীশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। নুপীদি খুন্নাই অসিগী শকয়েং মিংশেলনি অদুগা য়ুমদনা গল্লাগী লৈরাংনি।

থৌদোক-ৱাথোক, হরাও কুমহৈগী মতমদসু নুপীশিং অসি মীয়ামগী লৈতেং ওইরিবনি অদুনা নেপোলিয়ন বোনাপার্টনা অফবা মমা অমা পীবা ঙল্লবদি মলেম অসি খুদুম চনবা ঙমগনি হায়রিবনি। অমরোমদা ঙসিগী নুপী কয়ানা শেৎলিবা ফিজেৎ খরমখৈ নৈনবা তারবদি ইনখৎলক্লিবী নুপী মচা কয়া অমদি মৌনহা কয়ানা ঙসি লমদমসিগী কুমহৈ ফিয়োং কয়াদা শেৎলিবা ফিজোল ফুরিৎ মমাং অমসুং মতুং য়াম্না কোৎথোকপা, হকচাংগী শরুক অয়াম্বা উৎননবা হোৎনবা, লিৎলিবা ফুরিৎ অদুসু মফুৎ মফুৎ হোবা, সারৈনা থুংলম থুংফাৎতনা খুম্বা অসিগী চৎনবী অসিনি। নুপীগী হকচাং কয়াৎ খুদিংমক চেশিন্না ফিনা খুমজিন্দুনা কনা উহন্দনা থল্লিবমখৈ নুপীগী মগুন হাপকদৌরিবনি। ঐখোয়গী মৈতৈ নুপীগী তোপ-তোপ্পা ফজরবা ফিজেৎ-চাকচা অদুনা মলেমগী মফম অমদা লৈরম্বদা মৈতৈ নুপীনি হায়বা হেক্তা খঙবা ঙল্লিবনি। মমাংঙৈগী অহল লমন কয়ানা শেৎলম্বা ফিজেৎ-চাকচা, শমগী মওং-মতৌ অসি হোংদোকখিবদগী ঙসিদি নোংচুপলোমগী শাহুম ফংবা অসিনা মৈতৈ নুপী কয়াগী ফিজেৎ-চাকচা কয়া হোংহন্নবগী মচাক অমা ওইরক্লি। মুস্লিম নুপী কয়ানা নুংশা শারবসু শানা অমদি নিংথমথা মতমদসু মখোয়গী চৎনবী অমা ওইনা পর্দার সিষ্টেম চৎনরিবা অসি মখোয়গী ফুরুপকী চৎনবী ঙাক্লিবনি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদদি নুপীনা খোঙ্গ্রাও শেৎপা চৎনৈ। অদুগা মণিপুরদদি মমাঙঙৈগী মতমদদি অহল-লমনশিংনা নুপীনা খোঙগ্রাও শেৎপা অসি কয়া পাম্নরমদে। অদুবু হৌজিক্কী মতমদদি নুপীনা খোঙগ্রাও শেৎপা কয়া অমা লৈরে। মসি অমরোমদা অফবা খোঙথাংনি হায়নীংই।

অমরোমদা মৈতৈ নুপী কয়াগী চাকচা-য়ুথক ওন্নবা অমা লাকপা ঐখোয়না উরে। মৈতৈ নুপী কয়া মমাঙঙৈগী মতমদা য়ু থকপা হৈরম্বা নত্তে। মখোয়দা লাইনীংগী ওইবা চৎনরোল অমা য়াম্না চেকশিন্না ঙাক্তুনা থম্নরম্মী। অঙনবা মতমদগী খরা লৈথরকপা অরি-অনৌগী লংদাই হায়বা তাই মৈতৈ নুপীশিংনা অয়ূক্তা ইরুজরগা লাইগী-তীলগী থবক তৌবা, য়াম্না শেংনা চাক-এঞ্জাং থোংগৎতুনা অহল-লমন অমদি মচা-মপুরোইবা কয়াগী থৌগল তৌদুনা পীজ-পীথক তৌবা অসি ফজরবা মচৎ অমা ওইদুনা লাকখি। নুপীশিংনা থা অমগী মনুংদা লাইগী-তীলগী অমদি মপুরোইবা অমদি অহল-লমনগী থৌগল চঙবা য়াদবা মতম অমা লৈ। অদুগুম্বা মতম অদুদা মশাবু চেকশিন্না ঙাকচদুনা লাইনীং-লাইশোনবু ঙাক্তুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। মসিদা অমাং অশেং, শোকপা য়াবা-য়াদবা কয়া ঙাকপদা অচৌবা মতেং অমা ওইরিবনি। অদুবু ঙসিদি নুপী খরনা অমাং অশেং, লাইনীং-লাইশোন কয়া নাকোয়ননা থম্বগুম তৌরকপা অসিগী চাউরবা মরমদি নুপা-নুপী পূন্না চাকচা-হৈজানবা চৎপা, পার্টি কয়া য়াওবা, অচিকপা হোটেলদা চঙদুনা পোত্থাবগী হৈনবী লৈরকপা কয়া অসিদগীনি।

মসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি মমাগী শক্লোন লৌগদবা নুপী কয়ানা অরানবা লম্বীদা চৎলবদি করি ওইগনি হায়বসিনি। মসিদগী লাপথোক্লবা হোৎনরবতদা লৈবাক অসি কনবা ঙমগদৌরিবনি। নুপা ওইবা কয়ানসু নুপীবু করিসু লৈতনা খনবদি লানগনি। ঐখোয় পূম্নমক্লা নুপীবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎনবা হোৎনবা মথৌ তাই। নুপা নুপী অনীনা য়ূম পানমিন্নবদা অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা চঙই। নুপী নুপা অনীগী মরক্তা অরোনবা থম্নরোইদবনি। নুপীগী মাঙখিগদবা লমচৎ শাজৎতগী মহাক্কী মপুরোইবনা ঙাকপী-শেনবীগদবনি। নুপীগী শম্বলদি লৈশারিঙৈদনা মমা-মপানি অদুগা ময়ূম পাল্লক্লবা মতমদনা মপুরোইবনা শম্বল ওইগদৌরিবনি। অদুনা অশোয় অরান ঙাকথোক-ঙাকশিন তৌনদুনা অমনা অমবু অরানবা য়াওরবসু ঙাক্লগদবনি। নুপীবু ঐখোয়না ঙল্লিবমখৈ শেন্নবীদুনা অফবা পাউতাক্কা লোয়ননা তাইবঙ শেন্বা মপুগী থৌগল তৌবদসু মখোয়বু থৌনা হাপ্পীগদবনি। নুপীগী অচেংবা তাঞ্জা লৌগে খনবীরোইদবনি। মখোয়বু নমজা-নমথেক্লবা খক তৌবীরোইদবনি। মতম চূপ্পগী ওইনা মখোয়বু ইকায়-খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা কুপ্না শেন্নবীগদবনি।

ঙসিদি ঐখোয়গী লমদম অসি থৌনা ফবী, শিবা কিদবী, অখাং কনবী নুপী কয়া চোংথোরক্লে। কুমজা ১৪৩২দগী ১৪৬৭ ফাওবদা পানখিবা নিংথৌ খোম্বগী মহারানি লিন্থোইঙম্বীনা মপুরোইবনা য়েক্লবশিংগা লান্থেংনবা চৎখিবদা মশামক্লা নিংথৌগী ফিজোল শেৎতুনা খূৎশু-থাঙলেন পায়দুনা য়েক্লবদগী ফম্বাল কলহৌখি। অদুগুম্বা রানি অদুগী চাদা নাওদানি, ঙসিগী ঐখোয়গী খুন্নাইগী নুপীশিংসি। অদুগুম্বা থৌনানা ঐখোয়গী নুপীশিংগী লুদা তোংদা য়াওবনা মালেমগী মফম অমত্তদা থোক্তবা অহানবা নুপীলান ১৯০৪, অনীশুবা নুপীলান ১৯৩৯ থোকখিবনি। ঙসিদি মণিপুরগী ফীভম য়াম্না লুরবনি। অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জা অসিদা নুপীশিংনা (পূম্নমক নৎচদে) নোংচুপলোমগী চৎনবীদা ঙাওদুনা লৈবা মতম নৎত্রে। মতাংসিদা নুপীশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউরিবনি। লমদমসিদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিং নুপীশিংতনা থেংনবদগী মায় পাকি-খবগুম মতুং তারকপদা থোক্কদবা থৌদোক ৱাথোকশিংদসু নুপীগী থৌদাং য়াম্না চাউই। মরম অসিনা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায়-খুম্নফম থোকই। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অনীংবা অপাম্বদা অথিংবা লৈরক্তবা

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

অথিংবা ময়াম অমা লৈদুনসু অনম কনবা মীগী মশীং য়ামখৎলকপনা য়াদ্রবসু অদুমক অকি-অখং য়াওদনা তৌনবনা মশীং অয়াম্বনি। মতম অমদা য়াখোং থুম্না চাবা-থকপগী খুদোংচাবা ময়াম অমা ফংলম্লবসু মতমসিগী য়াওল অসিদদি অৱাবা অমদি অদুমক মায়োক্লরবনি। লৈবা লৈতবা খঙলবসু নাচুংবা য়াওদ্রবা মীওই কয়া অমা মশীং থিঙমদনা লৈখৎলকপা কুইরক্লবা মতমদা করম্বা ফীভমদা লাক্কদৌরি? অফবা হায়বদুমদি থাজবগী ৱাংমদা লৈদৌরবনি। হিংদবদি য়াদবনিনা হিংনবা হোৎনবদা ইকায় ইকি কয়া থাদোক্তুনা শূবা-নোম্বদা নুপাগীনি, নুপীগীনি খাইনরক্ত্রবা মসিবু উদে হায়বা য়াবা নত্তে। মতম অমগী নুপী ওইবীশিংবু পাঙ্গল শোনবীনি হায়বগী ৱাহৈ অদুমক হৌজিকপু লৈরিদা করম হায়গনি? পাঙ্গল শোনবীগী ৱাসিদি ফনা কুইরবনি মাঙখিবা। নুপীনা নুপাদৌনা খল্লকপসিনা নুপী ওইবীশিংগী মগুন হেনগৎলকই হায়না লৌদৌরিব্রা? নৎত্রগা লৌরোইদৌরিব্রা? অমগী ওইগেরা, অমগী ওইগেরা খরদি হেন্তক লৈরবনি।

নুপীগা নুপাগা ফনা য়াম্না রাইট মান্নদুনসু খেন্নবা হায়বসিমদি থিংবা ঙমদনা লৈরগদবনি। ৱাফমসিমক নুপী ওইবীশিংনা খন্থদ্রবা অশোয়বা খরদি নমদনা লাক্কদৌরিবনি। খেন্নবা লৈরক্ত্রবা মতমসিদা নুপীনা হৈনবী ওইদুনা ফনেক শেৎকদবগী মহুত্তা খোংগ্রাওনা পাম্না শেৎনরকপা, শমদা ফাওবা লৈজবী থাদুনা নুপাদৌনা ককথৎনরকপা, নুপী ওইবীগী তুংয়ানগী ফজ গদবা শম্লাং পূম্নমক লৈশিল্লক্তবা, মসিমক নুপী ওইবীশিংনা ফনা নিংথিনা পাল্লবসু নুপা ওইবা কাঙবুনা ফজনা ঙাঙনবদি ওইদ্রবনি। চহী খরগী মতুংদদি নুপানা মকোই খাকই হায়দুনা নুপীসু হকচাংগী শরুক্তা হৌরিবা তুহাও ফান্দোক্তুনা মকোই চোম্নবা হোৎনরকপসু কনানা খঙবা?

নুপীনা নুপা শাবা, নুপানা নুপী শাবা মসিদা অদুনি-অদানি হায়দুনা মরৈ য়েৎনবা য়াওদবা নত্তে। মীংশেল য়েংলগা লম্বী সরক্তা লৈজবী থাদুনা অয়ৌবা-অয়ৌবী থাক্তা থোরক্লবনিনা অদুমক ওইদা ওইরবোই নীংদুনা থাজবা ওইনরবনি। লুহোংবা ফাওবদা নুপী মহাক্লা মীয়াম মাঙদা কোয়দুনা লুহোংবগী পরমদা লৈগদবদুসু নুপানা কোয়রগা নুপীনা লুহোংফান্দা ফমদুনা লৈরকপসু শোয়দনা লাকখিদৌরিবনি। য়াম্না ঙকপা অমনা নুপীগা নুপাগা রাইট মান্নরে হায়না লৈনরিবা মতমসিদা অমাং অতোং অনীগী লংদাইদা খন্থবা ৱাৎলবা মাঙজবা কনাগী ওইদৌরি? চেকশিন খোপচিন্দনা গট লৈরিবনি হায়দুনা মসিমক খুদোংথীবা নংলবতদা করি নুংগীনো খন্দৌরিবনি। মতম অমগী নুপী ওইবীশিংগী ফজরবা শাংলবা তুংয়ানগী শম্লাং খাকি লৈহাওগী মহৈ থিবগুম থোক্কদৌরিবনি। শমগী ফজরবা মচু করিনি হায়দৌরি?

মাংলমচত্তগী হৌজিক ফাওবসিদা অমুবা শম্লাংনি হায়নরিবনি। মতমসিগী ইনখৎলকপা পাখঙ লৈশাবী অনীমক মচু মমেন তৈদুনা অপাম্বা মচুদা ফজবনি হায়দুনা চৎনরক্লিবা পূম্নমকসি মানা মানা তৌবা থবক্তা অথিংবা লৈতবনা অপাম-অপাম্বদা চত্থনরকপনি হায়বদা হায়মনবদি থোক্লরোই।

ময়ূম পান্দ্রিবী লৈশাবীদি লাইরদুনা মচা অমা অনী লৈরবা মৌ ফাওবনা তৌনরক্লি। মসি পংহায় হায়জিনবা নত্তে। হায়না তানবা য়াদবা মনেম-মকু, মমা-মপা, মবুং-মৌপ্বাগী তুং কোয়না চৎকদবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়াবু মশাগী অপাম্বনা লুনা খন্নরকপা মশীং থিঙল্লক্তরি। লুহোংবা নোংঙানবগা তোঙান চাগনি হায়বগী থৌনা লৈরবা/লৈরবী কয়া মশীং ওন্থোক্লা য়ামখৎলক্লবনি। তৌনীংবা মখৈ তৌজসনু পূম্নমক খূৎলং লমনগী ৱানি। য়েংবদা কল্লু শুংশোয় শোয়দনা মাগীসু মতম লাকখিগদৌরিবনি। চহী য়াম্লা য়াম্লগা খ্বাইদগী ফবা অমা হায়বা তারবদি মকুনি-মনেমনি হায়দুনা ঙাঙ শক্কদবগী শরুক ঙাঙদনা অদুমক মরৈবসিসু অফবা ওইনা লৌনদনীংঙাই লৈরোই। নুপী ওইবীশিংগী ফজবা নিংথিনা, চুং ফিরাল চাবা পূম্নমক নুপীনা খঙবদগীদি নুপানা খঙবনা হেল্লবনি। নুপাগী ফজবা নুপীনা থোইদোক হেন্দোক্লা খঙবনি। মসিদা ওইদবা-পাদবা তৌবা য়াবা নত্তে। য়াম্না ঙকপা অমনা নুপীগা নুপাগা রাইট মান্নরে হায়দুনা খোঙবীদগীনা সেনাপতি ফাওবা খঙনরবনি।

কনাগুম্বা মমা-মপা মথক থোংবা মচিন-মনাও অমা শিবদা শ্রাদ্ধ কর্ম্ম নংনবা নুপাশিংনা লু কোকপা মসিমক হৌজিক হৌজিক চৎনদে করম হায়গনি। কনাগুম্বা নুপীনা নুপা শাবা মথম্মোয়দা ঐসে নুপানি হায়না মশা মথন্তা খঞ্জবা কনাগুম্বদি নুপাদৌনা মরূ কোকপা করিগুম্বদা য়াওরমগদ্রা? লৈরমগদ্রা? থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। ওজা অরাংফমগী মহুৎ, ওজা পুঙ য়ৈবগী মহুৎ, তপ্না তপ্না মহুৎ শিনখিদৌরিবনি। অশিবা থাংদোকপা ফাওবা নুপী কাঙলূপ্না ঈশৈ, পুঙ শীজিন্নদুনা নোংমদি শোয়দনমক্কী লাক্কদৌরিবনি। অশিবগী বৈত্যা ফাওবা নুপীনা শোয়দনা শিনখিগদৌরিবনি। নুপীনা ওটোরিক্সো ফাওবা থৌনরক্লবা মতমসিদা থৌদে হায়দৌরিবসিবু কনানো? চেক শূবা, য়ূম শাবা পাঙনা থোক্ত্রবসু কাবক-কাবক অদুমক থেংনরক্লগদবনি। থবক্তি নুপাগীনি, নুপীগীনি খায়দবসিনা চাওখৎলকপগী তশেং তশেংবা মথেল অমা লাক্কদৌরিবনি। লাবা ওইবা কাঙলূপনা অমোমনি খন্দুনা মান্নবা হোৎনবা হিংলিঙৈ মনুংগী ৱানি। তাইবঙপান থাদোকপা নুমিৎ অদুদদি নুপানা নুপা, নুপীনা নুপী মসিদি শোয়দ্রবনি। মৈ চঙলগা সনাগী মগুন হেল্লকপা মসিনা অশেংবনি, মসিনা শেংদবনি খঙলকপা মীনম শোরি য়াররোইদবনি। মমা পূক্লুংগী ফনা ওইদুনসু ইমুং মনুংনা য়াদবদা খরা মখৈদি লেপকদৌরিবনি। মসিমক চুমদে হায়বা য়াবা নত্তে। য়ু ফনা য়াম্না ঙাওদুনা লাউ-খোঙদুনা তৌরম্বা পুলিস ষ্টেসনগী মপা য়ৌবদা চেক-মুক লাউরোই। পূম্নমক য়াইনা-য়াইনা খনবদগী ওইরকপা মসিনসু ইনোৎ অমা হেল্লকপনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।